ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ১০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩১৪শুবা মশীং

# ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা সী বি আই

## *ওদিট তৌখিবশিংসু অরানবা তৌব্রা হায়বা থিগৎহনসি*

**লৈবাক** অসিগী অতৈ মফমশিংদা তৌনবগুম মণিপুরদসু ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্লনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ফোরেষ্টতা কারম্বা রেভেন্যু চাদা ১০০ হেনগৎহনগনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফাওবা শৌগৎনীংদবা মতাং য়াওরকই। রেভেন্যু কাননবনি হায়দুনা উমং-ৱামং কোকথোক্লগা পুথোরকপা উশিং য়োলহনবা, তুরেলগী খোংনুংদগী মরম চাদনা লৈঙোই পেকথোকপা নৎত্রগা লৈঙোই শেম্বনচিংবা তৌহল্লগা শেল তানবগী চৎনবী অসি খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা ওইরকই। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলুরগদি মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা রেভেন্যু হেনগৎননবা হোৎনবগী মহুত্তা ফোরেষ্টতা অকায়বা পীদনা পুথোরকপা পোৎলমশিং নারোলদা থৈরগা টেক্স কাহন্দনা পুথোক পুশিন তৌরিবশিং অসিগী লম্বী থিংবনা হেন্না চুমগনি। মালেমগী ওইনা হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী চাউনা শিংনবা অমা ওইরিবসি ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিনি। ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেং মালেমগী মীপূম খুদিংমক্লা ফংই অমসুং কা হেন্না ফংবা মফম কয়ামরুমসু য়াওই। মণিপুরসু মহৌশাগী খল নীংথিজনা কায়থরক্লে হায়বা য়াই। মতম অমদা মণিপুরদা লৈরম্বা অইং-অশাগী খল হৌজিক্তি লৈত্রে। কালেন থাগী মতমদা কা হেন্না শাগৎলক্লে, নিংথম থাগী মতম তেনশিল্লক্লে। নোংজু নুংশাগী চাং নাইরক্ত্রে। য়াম্না তোয়না ঈশিং-ঈচাউ থোক্তুনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরি। ওইরক্লিবা অইং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি থিংননবগীদমক মীওইবা খুন্নাইনা লুপা ক্রোর লাক্ষ কয়ামরুম হৈথরগসু ওইথোকপা য়ারোই। ক্লাইমেট চেঞ্জগী অৱাবা কোকহনগে হায়বা তারগদি ঐখোয়না উ-ৱাশিং য়োকখৎপা অমসুং ফোরেষ্ট হিঙ্গৎহনবা হায়বসিনা ওইগনি। তোঙান তোঙানবা ইন্দষ্ট্রিএল সেক্টরশিংদগী থাদোরক্লিবা য়াম্লবা কার্বোনদাইওক্সাইদশিং অসি ফাজিন্ননবা সাইন্টিফিক ওইবা খূৎশু-খূৎলায় অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রি। হু চেল্লবা কার্বোনমোনোওক্সাইদ অমদি নুংশিৎতা চাং ৱাংখৎলক্লিবা কার্বোনদাইওক্সাইদশিং অসি উপাল-ৱাপালশিংনা মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা মরম্না ঐখোয় পূম্ন মক্কী লেংদ্রবা অমসুং অশেংবা মরুপতি উপাল-ৱাপালনা ওইরে হায়বসিনি। পূম্নমক অসি য়েংলগা ঐখোয়না ফোরেষ্টকী প্রদক্টশিংদগী রেভেন্যু কারক্কনি হায়না হেঞ্জিন্না পাবা তৌরোইদবনি অমসুং উমং-ৱামং শেমগৎননবা থাদখিবা শেনফমশিং নারোলদা হাইহৎপা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা মরাল অমা লৈতে হায়না খনফম থোকই।

মণিপুরগী ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হন্দক্তা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিনা কুমজা ২০০৯দগী ২০১২ ফাওবদা লোক্তাক্কী কেচমেন্ট এরিয়া শেমগৎনবা সোর্ট টার্ম এক্সন প্লান অমগী মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা থাদখিবা লুপা ক্রোর ৫০.৬৮ রোমগী শেনফম পরম চুম্না শীজিন্নখিদবগী খুদম ফংলে, ৱাথোক অসি সী বি আইদা শিন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। শেঞ্জা থুমজা তৌবা অমসুং মশাগী খনবা এমপ্লোয়ী নৎত্রগা পোলিটিসিয়ন লৈরিবমখৈ লৈবাক অসি চাওখৎপা ঙমলোইদবনা শেঞ্জা থুমজা তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা হায়বসি মীয়ামগী থবক তৌগে খনবা লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা থৌদাংনি। তৌবতদদি থৌদাং অসি পাঙথোক্লনবা হোৎনবদা অফবা ৱাখল অমদি চঙই। মদু নত্তনা লমন খুম্নবগী, পোলিটিক্সকী য়ানদবগী ৱাখল্লোন্দা যূম্ফম ওইরগা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থবক তৌবা ওইরগদি লাইবক থীবনি। লান্না তৌখ্রে হায়না মিনিষ্টরনা মরাল শিরিবা থবক অদু কঞ্জার্বেসন এন্দ মেনেজমেন্ট ওফ লোক্তাক ৱেটলেন্দ ইন্টিগ্রেটিং মণিপুর রিভর বেসিন হায়বসিগী সোর্ট টার্ম এক্সন প্লাননি। চহী অহুমগী মনুংদা থবক পায়খৎকদবনি। এফোরেষ্ট্রেসন্দা লম একর ১০,৫৭৪, এদেদ রিগেন্টদা লম একর ১০,৭০০ অমসুং এগ্রো ফোরেষ্ট্রিদা লম একর ৫০০০ রোমদা উপালশিং থাননবনি। কুমজা ২০০৯-১০দা লুপা ক্রোর ১৭.৩৫, কুমজা ২০১০-১১দা লুপা ক্রোর ১৮.৫৫ অমসুং কুমজা ২০১১-১২দা লুপা ক্রোর ১৪.৭৬ থাদখি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি নোর্দন ফোরেষ্ট দিভিজন, কাংপোকপী, ইষ্টর্ন ফোরেষ্ট দিভিজন উখ্রুল, তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজন চান্দেল, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন, সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন্দা থাদখিবনি। থাদখিবা শেনফমশিং অসি দিপার্টমেন্টকী লেভেলদা, দিভিজনেল লেভেলদা মোনিটর তৌবদা নত্তনা থার্দ পার্টি ওইনা কোম্বেদোরদা লৈবা করুনা য়ুনিভর্সিটিনসু মোনিটর তৌখিবা লৈখি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লোকল ওদিট অমসুং একাউন্টেন্ট জেনরেলনসু তাঙ্কক অনী থোক্লা শেল থুম করম্না শীজিন্নখিবগে হায়বা য়েংশিনখি। মতমদুদা অশোয়বা অরানবা অমত্তা পুথোকখিদ্রগা হৌজিক্তা মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অরানবা ময়াম অমা তৌখিবগী খুদম ফংলে হায়রিবসিনা তাক্লিবদি মমাঙদা মোনিটর তৌখিবা অমসুং ওদিট তৌখিবা ময়াম অদুসু অরানবা তৌরে হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মীয়ামগী শেল-থুম মাঙহনখিবশিংদা কনা কনা চেন্নবগে হায়বা থিগৎপদা দিপার্টমেন্টকী মোনিটরিং সিষ্টেম, একাউন্ট জেনরেল অমসুং লোকল ওদিট তৌখিবশিং অদুগী থবক থৌরমদসু অরানবা য়াওখিব্রা হায়বগী থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হায়রিবশিং অসিসু সী বি আইদা থিগৎহনবদা য়াওহন্নীংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## নুপামচা মহৈরোয়শিংগী শমকক অমসুং মহৈশঙ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মহৈশঙ** অয়াম্বনা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয় নুপামচাশিংগী শমককপু কুপ্না শেন্নদুনা তরু-তনান্না কক্লবা পাউতাক পীবা অমসুং নমদুনা কক্লবা হোৎনরিবা পূম্নমকসি খুন্নাই অসিগী তুংগী যূম্বীরেল ওইরক্লবগীদমক লৌরিবা চাউরবা থৌদা অমনি হায়না থমজনীংই। শমকক্কা, লমচৎ-শাজৎকা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, শেৎলি-চারিবা অমদি ফিজেৎ-চাকচাগা অকোয়বদা ফংলিবা পুন্সি মহিংগা নক্লবা মরী লৈনৈ। অসুম্না মহৈরোয়শিংনা ময়ূমদগী খুন্নাইদু ফাওদুনা লাক্লগা মহৈশঙ তান্না লাক্লিবনি। ঙসিগী মালেমসিদা ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা কলচরশিংনা তোৎশিন্নদুনা শেমলকপা মচৎশিংসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মমিৎতা তরং-তরং উরুনবা, অপাম্বা অমসুং পামদবা মচেৎ-মকায়শিংদু নৌরিবা মখোয়দা মমি তাগনু হায়বসি করম্না ওইথোক্কদৌরিবনো? অসিগুম্বা ৱাহং ময়ামসিনা তুং-মাং শম্নদুনা শেন্লিবা খুন্নাই অমগী লিশাং লিচৎতা কনা কনানা থৌদাং লৌদুনা ফত্তবা পূম্নমক্তু মন্থোকপা ঙমগদগে? মসি অরুবা ৱাহং অমনি। ফরে ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয় নুপামচাশিংদুবু ময়াম চঙদুনা নমদনবু ওইরো নৎত্রগা থেমদুনবু ওইরো মখোয়গী শমককসি অকক্লবা অমদা থমদুনা শেন্লসি। অদুবু ঙসিগী ওইরিবা ফীভমশিংসিনা পূম্নমক্তু হুই মমৈ থাও তৈরগা চুমথোকপা ওইনা থোক্কদ্রা হায়না খল্লি। লৈরিবা ফীভমশিংসিনা মীৎয়েং শান্না, ঐখোয়না ঐখোয়গী শক্তমবু কঞ্জনবা অমদি মাগী মাগী ফুরুপকী নেস্নেলিজম শাগৎচবা ঙমজনবা করম করম্বা পাউতাক অমদি করম্বা পোৎশক ওইনা মহৈরোয়শিংদা মমা-মপা অমদি মহৈশঙশিংনা মখোয়গীদমক্তা করি থৌদাং লৌরিবগে হায়বসিসু ঐখোয় নৈনফম থোকই।

পীক্লিবা ইচাশিংসিনা মালেমগী অফাউ অফাউবা শান্নরোয়শিংনা তৌরিবা শমকক-লাক্কক, মশাদা য়েক্লিবা তেটু অসিনচিংবা কয়াসি মখোয়না উরি, অদুনা মতৌ তমনীংবা হায়বসি মশানা তারকই। মতাং অসিদা অঙাংশিংগী নুংগী ৱাখল্লোন্দা চঙখ্রিবা অচুম্বা অমসুং অরানবা অনীমকসি মখোয় মশা-মশানা অচুম-চুমদা লেপথোকচবা ঙমজদবনা মখোয়গা মমা-মপাগগী মরক্তা মুক্লবসি থোক্তবা নত্তে। মসিদগী লাম্থোরক্লগা খুন্নাইদা ফাওজিল্লকই অমদি খুন্নাইনসু মুক্লরিবদু হেক্তমক ৱাখৈবদি ঙমদবনিনা মচিৎ-মখাক ওইনা অমুক পুমচাই চাইথোরকপগী লাইচৎতুনি ঐখোয়না থেংনরিবা। মতাং অসিদা মহৈ লোইশঙশিংনা লৌরিবা থৌদাংসি চাউই হায়না খন্নরিবসিসু। অদুমক্তি ওইরগা মখোয়দা সাইকোলোজিকেল প্রেসর পীবা ওইনা থোকখিদুনা খুন্নাইদা হেন্না চরাংনবা অমা থোক্লক্কদবা ওইরবদি, খ্বাইদগী হেন্না চুনগদবা মওংদা অঙাংশিংগী অপাম্বশিংসি কদাই ফাওবা লৈথোক-লৈশিন তৌবা য়াবগে হায়বসিদা ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নদুনা খজিক-খরাক কোমথোক-কোমশিন তৌহৌদুনা নৌরিবা ইচাশিংগী ৱাখল ফাথমিন্নসি হায়জনীংই। খুদম ওইনা ফীভম খরদা, হৌজিক্কী নুপীমচা, মৌনহা, হনুবী ফাওবনা শমদা জাৎ-জাৎ তৌরক্লিবসি চহী খরগী মমাঙদদি য়াম্না মরিং মরাংলম্বনি, হৌজিক্তি কনা অমত্তনা করিসু হায়খিদ্রে, অসিগুম্বা অসুম্না ঐখোয়না ঐখোয়গী অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সিবু উবিদুনা পামদবশিংদুগী দিগ্রি লৈথহৌরগা থেম্বোই-ফোইবোই তৌহৌদুনা ঐখোয়-ঐখোয়গী ফিজিগী লনশিংবু হেন্না মশক থোকপা পুন্সি শেমহৌনবা হৈশিংবা মমা-মপা অমমম ওইরসি হায়না পূম্নমক্কী মফমদা থমজবসি লানখিবা য়াওরবদি পূম্নমক্লা ঙাকপীগনি।

*অদোমগী-আর কে তরাজিৎ*
*ৱাংখৈ খুনৌ, ইম্ফাল*

# খজাই অমসুং খূবাক

**মালং হায় স্কুলদা** (ওজা) সুরেসনা ওজা ওইরকপা চহী মঙা হায়রক্লে ঐনা তাবদদা। মালং হায় স্কুল হায়রিসি করি লমদনো চপ চাবদি খঙদে অথাপ্পা খুঙ্গং অমদনি হায়। মনানা শংত্রিক শংবা অদুগা নাপু মচুগী মপাল শাৎলবা হঙ্গাম পান্বীশিংনা মোমোন মোমোন নোক্লা নোক্লা লিরিবা মালংগী শাহুমদা শাথেক তমজবা তুরেল খোঙবালগী ফজবা উরুবদা থম্মোয় অমত্তা ঙাওদবা ঙম্মোই হায়। মফম অদুগী। চেক্লাশিংনা মতম পূম্বদা ঈশৈ শক্লিবা মফমনি হায়। নুমিদাংৱাইগী ফজবা, নুমিদাংগী ফজবা, নুংথিলগী ফজবা, অয়ূক্কী ফজবা লোইনা থাবদা মুক লোইবনা হানগদৌরিবা মফমনি হায়না তায়।

মফমদুদা থনকোক তৌনা লৈরিবা খূৎশেমগী অমসুং মহৌশাগী ফজবা ময়ামলক্তগী খ্বাইদগী ফজবদি মেমতোম্বীনি। নুংশিবা চেক্লাগী খোঞ্জেলশিংদগী নুংশিবসু মেমতোম্বীগী খোঞ্জেল অসিনা মহেল্লে, অশংবা মচুগী তুরেলনা থেক্লা খোয়না লীরি লীরি মখা পাংনা চেন্থখিবদগীসু মেমতোম্বীনা তুং ওইনরল্লগা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা যূমদা হনখিবা (শেগাদা সনাবুল অমা কোল্লগা) অদুনা অদুম মহেল্লে। হায়রিবা অসি ওজা সুরেনগী মফমদনি অতৈ অতৈ মীগীদি খঙজদে। ইচন মেমতোম্বীনা মালেম অসিদা খ্বাইদগী নুংশিবদি ওজা সুরেননি। মেমতোম্বীনা অহানবা হেক উবমক্তদা ওজা সুরেনবু ফিল্ম ষ্টার গোকুল ওইনা উখি। মেমতোম্বীনা খ্বাইদগী ঙাওজবা হিরোসি গোকুলনি। মশক্তা গোকুল মানবদি অদুম অরায়বা ৱানি অমরোমদা মেমতোম্বীনা খ্বাইদগী পামজবা অসি ওজা ওইবা হায়বা শিনফম অসিনি। ওজা ওইবা হায়বা শিনফম অসি মীয়াম্না য়াম্না ইকায়খুম্নবা পূক্নিং ৱাখল য়াম্না শান্তি ওইবা শিনফম অমনি হায়না মেমতোম্বীনা খল্লি। ওজা সুরেনবু মানা খ্বাইদগী পামজবা, নুংশিজবা হায়বদু চপ চানা থোক্লে।

ওজা সুরেনগা মেমতোম্বীগা থম্মোয় কিশি কিনখি, ৱাখল মশা পান্নখি। নুমিৎ খুদিং অমনা অমবু উদনা লৈবা ঙম্নদে। ওজা সুরেননা মালং হায় স্কুলদা ওজা ওইরবদগী মেমতোম্বীগী পুন্সিদা নুংশিবা হায়বদো মশক খঙলে- অদুগা মাগী চঙখোল্লবী মায়থোংদা ওজা সুরেননা নুমিৎ খুদিং মিংশেলগুম্না য়েংজরগা পেঞ্জবা ফাওজরম্মী। তেন্তক্লা হায়রবদা মবানি অমগা অমগা শুক্লায় কায়ননীংদবা হেক কায়নবদা হু চাদুনা শিনীংনবগী চাং য়ৌনা নুংশিনরে হায়বা য়ারে।

লৈকায়না ওজা সুরেনবু য়াম্না থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নরে। মচিন মখা নুংশি। মশক ফজে। অঙাং লুনা তৌই। মানা থাপ্না লাক্তুনা ওজা ওইররিবা খুঙ্গং অসিগী মীশিংবু মচে মচলশিংবু লুনা তৌই হায়দুনা। শম্না হায়রবদা লৈকায়নসু মাবু য়াম্না য়ারে।

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

অদুগীসু মথক্তা মেমতোম্বীনসু মাবু ওজাগা ওইশিল্লবনিনা পামজদুনা মাগী মরমদা নুংশি নুংশিবা ৱারী শাদুনা অমুক্কা হেন্না লৈকায়না নুংশিহল্লে। সিনি ওইরিবা ফীভম।

নোংমা মেমতোম্বীগা ওজা সুরেনগা উনদুনা নুংশি ৱারী কয়া শানরগা ময়ূমদা হনখ্রে। অদুগা থংনবা নুমিৎতগী ওজা সুরেন অমুক হন্না থাপ্লবা খুঙ্গংদা লৈবা মালং হায় স্কুলদা লাকখিদ্রে। মেমতোম্বী অহিং খরনিসি চাদ-থক্তনা মকোক মরু ইফা ফানা লেনখ্রে।

মদুগী মরম : ওজা সুরেন শিখ্রে (লৈখিদ্রে) হায়বা অসিনি। স্কুলদা ওজা সুরেন লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোক্লরি। ওজা সুরেনগী মঙানি লৈহুন লোইখ্রে, শোরাৎ লোইখ্রে। লৈখিদবা থা মঙা তরুকলোম হৌখ্রে।

ইথা থাজদনা নোংমা ওজা সুরেনগা মশক চপ মান্নবা নুপা অমা মেমতোম্বীগী মনাক্তা লাকখি। মেমতোম্বী ফিল্মগী মতৌগুম্না ঙাইহাক লৈমায়দা ৱান্থখি।

মেমতোম্বীনা ঙাইহাক ৱান্থরুবগী ৱাখল তারকপদা নুপা অদুনা মেমতোম্বীদা ৱা অসি কনা অমত্তদা হায়দোকপীগনু - মহাক নহানমখৈ ওজা সুরেনগী মহুৎ শিন্দুনা ওজা ওইবা নুপা অমনি। মমিংনা বাবুমচা কৌই। খুরাইদগীনি। মহাক ক্লাস তুয়েল্ব ফাওবা পাস তৌবা মীশক অমা নত্তে। লৈকায়দা সুম শুফম নোমফম খঙদনা য়ু খরা ঙাও, গঞ্জা খরা থক্তুনা লৈবদু উবদা মাগী লৈকায়গী লৈখিদ্রবা ওজা সুরেন্না মাবু মতম খরা মহাক শারগা লৈরুচো মহাক্তি থিকা মচা মচা খরা লৌদুনা নুংঙাইবা য়াব্রা য়েংগে হায়দুনা মালং হায় স্কুলদা থারকপনি হায়না তম্মী।

মেমতোম্বী বাবুমচাগী ৱারী অদু তারগা খংশাউ শাউরক্লম্মী। ফজখ্রবা খুবাক অমা শৎ হাইগৎলগা বাবুমচাগী মখজাইদা শেৎ লাউনা শেৎচিনখি অদুগা থাখ্রিবা খুবাক অদুগী চৈনা অদু মঙোন্দা হেক ফাওরবগুম্না হীক হীক কপ্লম্মী। মেমতোম্বী থম্মোয় কায়খি।

অমরোমদা মেমতোম্বীনা বাবুমচাদা শেৎচিনখ্রিবা খুবাক অদু বাবুমচাগী মখজাইদা নৎতে এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী নহানমখৈ খঙশিন উশিন্নদনা লৈবা কোকলেন ময়াম অদুগী খজাইদনি হায়বদা মতিক চপ চাখি। ঐদি ৱারী অদু তাবদা শাথিনা নুংঙাইখি। মেমতোম্বী খল্লুবদা য়াম্না ৱাজখি ঐ। বাবুমচাগী ৱাদি তোকপু তোক্লসি।



# ৱাথোক য়াম্লিবগী মরম করিনো

### নবকুমার ওইনা

**ৱাথোক** য়াম্লিবসিগী মরমসু অদুমক য়াম্বা তারি। ইশম শম্না পঙবা মান্নদবগীসু অদুমক ৱাথোক য়াম্নবা তাবনি। লমদমসিদা ৱাথোক য়াম্লিবগী মরম থিদোক্লবগী থবক লৌখৎপদি তৌনদ্রি, ৱাথোকশিংদুগী মনুংদা ৱাথোকশা ওইনা অদুম য়াওশিন্নখিবগী মওং অমদা হিংনরিবগুম উরি। ৱাথোক থোক্লক্তনবা হোৎনবা হায়বসি সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নরবনি। মদুমক্কী স্কুল্লিং অদুদি লমদম অসিদা লৈবা নৎত্রি। হীরম খুদিংমক ৱাথোক ওইরবগুম খন্নরক্লবা মতম অসিদা লাইরিক লাইশু তম্নরবনি হায়বসিতনা য়াগদৌবা অতেনবা লম্বীনি হায়বা লৈররোই। লাইরিক তম্নরিবা হায়বসিমক ৱাথোক শাগৎপনি হায়গনি। থবক পীযু হায়রক্লিবা, থবক পীরগা থবক শুদ্রিবা, মী হায়বসিমক ৱাথোকশা ওইরক্লি।

মী নত্তবা কনানবু ৱাথোক শাগৎপা য়াওরিবগে? ৱাথোক হায়বসিমক মীওইবনা মীওইবগীদমক শীজিন্নবা ৱাহৈ অমনি। ৱাথোক হায়বসিবু অফবা ৱাথোক, ফত্তবা ৱাথোক হায়না খায়দোকখিগদ্রা? পান্নদবা, অৱা-অনা ওইনা লৌনবা থৌদোকশিংবু ৱাথোক হায়নবগী ৱাদুনি। খন্নবা য়াবা ৱাফম খুদিং ৱাথোক ওইনদি লৌনদে, থৌদোক খুদিং ৱাথোক হায়নদে। করিগুম্বদা অফবা থৌদোক অমদসু ৱা অমা থোক্লি হায়না পন্নবসু লৈরিবনি। লমদম অসিগীবু করি কান্নবা থবক পায়খৎপা লৈরিবগে? ফনবা তৌবা থবক্লি হায়বা খুদিংদা ৱাথোক্কী ৱাথোকঙাক থোক্লক্লি। মসিদগী খঙলিবসি ৱাথোক হায়বসি মীওইবা হায়বা কাঙলূপ অসিতনা মালেমগী লৈমায়সিদা ৱাথোকশা হায়বদুমক ওইরে হায়নরবনি। মহৌশাগী লৈজরম্বা শক্তম থুগায়রিবসু মীওইবা ঐখোয়তননি হায়বসি খঙনরবনি।

মদু ওইরবদি, মীওইবনা খঙদবা য়াদ্রবা লৌশিং নৎত্রগা পাড়া করিনা ওইরে হায়বফাওবদি খন্নরবনি। খন্নবা হৌবনা য়াদ্রি থবক ওইনা পাঙথোকপা তারকপদুনি। লমদম অসিগীদি ৱাথোক ওইরেগা ওইদেগা হায়নবা অদুমক ৱাথোক্লি। ফত্তবা, লুখাক-চগুম খরা লংথোকপগীসু ৱাথোক অদুম ওই, মফম চানা থম্বা ঙম্নদবগী ৱাথোক ওইনরি। ৱাথোক ওইরিবসি থবক থৌওংদু নত্তে, মীদুনি, মী মান্নদবা হায়বসিমক ৱাথোক অদুনি। ৱাথোক ওইরক্লিবনা মী-মীদা য়াওরিবা শাজৎ অদুনা ওইরক্লিবনি হায়বসি খঙলবদি মীওই খুদিংদা শাজৎ লিচৎ তম্বীবা অমা চঙলকই। তম্বীদে হায়বদি য়ারোই, তম্বীবদু মান্নদবগী ৱাদুনি, তম্বীবদুদা থৌদাং লৌনদবগী ৱাদুনি। তম্বীবা লোইদ্রিঙৈদা ৱাথোক ওইবনা লান থোক্লকপা য়াওরক্লবনি। পুকচেল শেংনদবনি।

অপূনবগী শক্তম শাগৎপা হায়গনি, শাগৎপা লোইদ্রিঙৈদা লান থোক্লি। অপূনবা হায়বা ৱাহৈ অসিমক ৱাথোক অমগী মমিং মাল্লক্লি। পূনবা হায়বসি শক্তম অমগী মমিং মাল্লবসু মীওইবগী শাজৎ অমগী মমিং ওইগদৌবনি। শাজৎ অদু য়াওদনা পূনবা য়াবা হৌনদে, "মাদি পূনবা য়াগনি" হায়নরিবা অসিদা য়াওরিবসি মীদু নত্তে, শাজৎ অদুনি। লমদম অসিদা পূনবা য়াগদৌবা অমসুং য়ারোইদৌবা মী কাঙলূপশিং চাউরাক্লা খঙনরবগুম তৌরক্লি। শাজৎ হোংঙু য়াদবনা অয়াম্বা ওইরি, "ঐগীনা চুম্মী-মাগীনা চুম্মী য়েৎনরি" হায়বসি পূনবগী শাজৎ য়াওদরি হায়বনি। শাজৎ অদু য়াওদরি হায়বসি লৌশিংদু খঙদরি হায়বনি, ইশম শম্না পঙলি হায়বনি। পঙলি হায়বদু খঙদ্রিবমখৈ খঙবা হৌখিরোই, শিংবা হৌখিরোই। তম্বীবা নৎত্রগা তাকপা হায়বদুমক ৱাথোক ওইরি, "তাক্লুবা য়াবা নত্তে" হায়নরি। মসিনা তাক্লিবনা তাক্ল বগী থৌদাং লৌনদে, লৌবা ঙম্নদে হায়বনি। মসিমকসু ৱাথোক ওইরিবনি।

করি তৌবা তারি, করি থবক্তগী হৌবা তারি? ৱাহং অসিমক ৱাথোক অমগী মমিং অমনি। মীওইবসি হেক পোকপদগী ৱাথোক শাগৎলগা পোকপা হৌনরে। ডোক্তরগা য়েৎনবা, খৎনবা হৌবা হায়বসি ৱাথোক শাগৎপা হৌবা হায়বনি। মমাঙঙৈদা মাইয়োক্লবীনা অঙাং উনবগী থৌদাং লৌনরিঙৈদা কয়া য়েৎনরমদে। শিরগনা লাইবক্লা তম্বনি খন্নরম্বা ওইগনি। হায়বদি ৱাথোক শাগৎপগী শাজৎ য়াওনরমদবগী মওংনি। ঙসিনা হেক পোকপদগী ৱাথোক শাগৎপগী শাজৎ অমা শেমগৎনদুনা লাক্লবগুম তৌরে হায়বনি। শিরবসু ৱাথোক শাগৎলগা শিবা ময়াম লৈরে। লমহাংদা শিরে, হোস্পিটালদা শিরে, যূমদা শিরে হায়বা ফাওবা ৱাথোক অমমম শাগৎপগুম তৌরক্লে। পোকপসু ৱাথোক, শিবসু ৱাথোক, মরক অদুদি করিগী ৱাথোক ওইরোই। ৱাথোক ওইদবা মীবু কনা লৈরিবগে, ঐসি মীপূম খুদিংদা ৱাথোক ওইরনি, মীপূম খুদিং ঐঙোন্দা ৱাথোক ওইরবনি হায়বা য়ারক্লবনি। মদুদি লায়বু লায়রি, লাই হায়রিবসি ঐঙোন্দা ৱাথোক ওইরে, করম্বা লাইনীং চৎকনি খঙজিল্লক্তরে। ইমুংদনা অমা, শুমাংদনা অমা, ইপানা অমা, ইমানা অমা, ঐগী ইমুংনা অমা, লৈকায়না অমা। লাই হায়বসিমক ৱাথোক অমগী মমিং ওইরক্লে। লমদমসি লাই ময়ামগী চায়নপুং, ৱাথোকপুং ওইরবনি। ৱাথোক অসিদি লাই অদুনদি নত্তে, লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা শাগৎপনি। লমদম অসিগী মীয়ামদি হীরম খুদিংমক্তা ৱাথোক শাগৎপা হৈরে হায়বা য়ারে।

মসি পূম্নমক লৌশিং য়াওদবগীদি নত্তে, লৌশিংদু লান্না শীজিন্নবসু লৈরিবনি। নিংথৌ লৈঙাক্তা লৈরিঙৈনা শাজৎ লিচৎ অমনি, দেমোক্রেসিদা লাকপদা শাজৎ অদুমক খুদক্তা হোংবা ঙম্নদবগী ৱাথোক ওইরগনি। তম্বীবা চঙই, ৱারেপ চঙই হায়বনি। পাউদু ফাওনবা ৱাৎপদগী ঙসি ফাওবা নিংথৌ শাজৎ শাগৎতুনা লৈবা হায়বসি অদুমক ৱাথোক ওইরবদুনি। লৈঙাক হায়বসিমক ৱাথোক কয়াগী মরম ওইরি। লৈঙাক্লা তৌবা থবক খুদিং ৱাথোক ওইরক্লি। মীপূম খুদিং ৱাথাকশা ওইরক্লবদা লৈঙাক্তা করিগী ৱাথোক ওইরোই। লৈঙাক্লা লায়রবা কোকহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি, মদুদসু ৱাথোক অদুম ওইরি, লায়রবা হায়বসি ৱাথোক ওইরি হায়বনি। থবক শুদ্রবদি লায়রবা তাবা, থবক হৈত্রিবসি পঙবদগীসু ওইবা য়াবনিনা অপঙবদগী লান থোকপা য়াওরকপা তাবনি। নুপীগী ৱাথোক, লোগী ৱাথোক, লম্বীগী ৱাথোক, পার্কিংগী ৱা, থাওগী ৱা, পোৎয়োনগী ৱা, অচাপোৎকী ৱা খুদিংমক ৱা মচা ওইরক্তরে,ৱাথোক অচৌবা ওইরক্লে। লমদম অসিগী মীয়ামগী শক্তম ৱাথোক ময়াম অসিগী শক্তম্না ওইরক্লে।

ৱাথোক ময়াম অসিনা য়োমশিল্লবা মীয়াম অসিগী পুন্সি তেনশিল্লক্লি। লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদু মমিং ফাওবা মুৎশিল্লক্লি। ৱাথোক্তি মুৎখিবদু নত্তে, মশানা মুৎলে হায়বা খঙজদবা অসিনি। ৱাথোকশা খরনা ৱাথোক ওইনবা শাগৎপদা মুৎলবা কাঙবুনা হিংনবগী শাগৎপা ঙমদবা হায়বসিমক ৱাথোক্লি, তপ্না তপ্না শিথখিবা ৱাথোক অমনি। ৱাথোক ওইনা শাগৎলকপা ৱাথোক অমনা অঙম্বা শক্লবা মতমদা ৱাথোক ওইনা লৌনরক্তে, ৱারেপ ওইনা উনরকই। ৱাথোক অমগা ৱাথোক অমগা চায়নরকপা মতমদা লান ওইরকই।

লান হায়বসিদি ৱাথোক নৎত্রে, ৱাথোক ময়ামগী মপান শারকপনি। ৱাথোক য়াম্লিবসি লান অমা শাগৎলিবনি। লান তৌবা ঙমদবশিংনা ৱাথোকশিং ৱাতেম্বা ঙম্বা লৈতে। ৱাথোক মচা-মচাশিং লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা লান মচা মচা শীজিন্নৈ। মদুসু ৱাথোক ওইরকপা য়ারিবনি। লৈঙাক্কী ৱাথোক মচা-মচাশিংনা মালেমদা লাঞ্জাউ অনীরক্তি থোকখ্রবনি। লৈরক-খুল্লক্কী ৱাথোক মচা মচাশিংনা লান থোকপা ঙমদ্রিবসি অচুম্বা ৱাথোক কয়া য়াওদবগীনি। ৱাথোকসু মীচং খোম্নে, ৱারেপ লৌবা ঙম্নরক্ত্রবদি মালেম পূম্বগী ৱাথোক লাঞ্জাউ হায়দু ওইরক্লিবনি। লাঞ্জাউ ওইহনবা ঙম্নদ্রবদি চুমদবা ৱাথোক ওইবসু য়ারিবনি। যূম্ফম চুমদবা ৱাথোকশিংদি মৈরি থোক্তনা মুৎখিবা কয়া অমা লৈরিবনি। অরানবা ৱাখল্লোন্দা শাগৎপা ৱাথোক ওইরবা ৱাফমশিংসু মৈরি থোকপা ঙমদনা মুৎখিবা তাবনি।

ৱাথোকশিং অসিগী মরুমদা ৱাখল-লৌশিংগী মমি অমা অদুমক লোয়নদুনা লৈ। য়েরুম মকুগী ৱাথোক্লা য়েরুম য়াম্না চাবগী ৱাথোক্লা অদুমক খেন্ননা লৈগনি। যূমথংনবগা য়েরুম মকুগী ৱাথোক থোক্লবসু য়াম্না চাশিনবদগী শিবা-নাবা য়াওরবদি চংশিন্দুনা হংনরিবনি। য়াননবা শিল্লগা য়ানবা য়াওরকপা তাবনি, য়ানদ্রবদি ৱা পুরিবা, লীদর শারিবশিংগী অশোয়বা, মঙক কনবা, মরৌশিং ৱাৎপা, হৈশিংবা ৱাৎপদগী ওইগল্লি হায়বসি খঙনরবা ৱানি। ওইদনবা শিনবসু লীদরশিংনা অদুমক ওইবা তাবনি। লান অমদা লীদর অনী লৈগনি, লান তাশিল্লক্লিবা লীদর অমসুং লান ঙাকথোক্লিবা লীদর। লানফম অদুগী মপূ ওইরল্লিবা লীদর অদুগী অশোনবা লৈবদগী লানফম অদুমক মশাগী মোঙফম মশাগী মরমদমদা ওইবসু য়াই। লান তাশিল্লুরিবা লীদর অমগী মোঙফম মশাগী মরমদা লৈতবসু য়াই, অশিবগী মোঙফম অদুনসু লান অদুম তৌদুনা লৈ। মসিসু ৱাথোক অমনি, শেম শারগা ফুল্লবা বোম অমনি। লমদম অসিদা বোম ফুম্বগী ৱাথোক ময়াম থোক্লি। পোকখায়রবা বোমশিং অসিদি অরায়বনি, পোকখায়উ য়াদ্রিবা বোম কয়া লৈঙাক অসিনসু ফুল্লি, মীয়ামসিনা লোয়নমক খঙবা ঙম্নদ্রি। খঙনদবা অসিমক্লা ৱাথোক ওইরি। ৱাথোক অমা লোইশিনবা হায়বসি ৱাথোক অদুমক্কী ৱারীশিং খঙবা চঙই। মী হায়বসিনা খঙউ য়াদবসু কোঙ্গায়নি। মদুমক্কী ৱাথোক্তি শোয়দনা মতম চঙগল্লি।

লমদমসিগী মীয়ামগী নীংতম্বা হায়বসিমক ৱাথোক ওইদুনা লৈরি। মীয়ামসিনা কনাদা তায়নগদৌরি, লীদরশিংনসু কনাদা তায়নগদৌরি। মসিমক্কী ৱারোয়শিন পুরকপা ঙম্নদ্রিবা হায়বসি ৱাতেম্নবা থৌরাং লৈত্রি হায়বনি। অমা নৎত্রগা অমনা থৌদাং লৌনবা য়াবা ৱাফমনি। লৈঙাক্লসু মপূং ফানা থৌদাং লৌবা উদে, মীয়াম্নসু লৈখায় তানা থৌদাং লৌবা ঙম্নদ্রি। লৈবাক অসিগী মরায়বক কয়াদা থীখ্রবনো। নোংদম্বা অমনা তম্লকপা ঙায়বা তাবরা? মদুমকসু ৱাথোক ময়ামসিগী মরক্তা য়াওশিন্দুনা লৈখ্রবগুম তৌরি। মৈরা কত্তুনা লাই খুরুম্নরিবগী কান্নবা করি লৈরি, ৱাথোকশিং অসিদি উবা ঙম্নদে। লাই খুরুম্বা হায়বসি খুরল্লিবা মীশিংবু অপঙবা শিবনি হায়বসু লৈরিবনি। লাই খুরুম্বা হায়রগা লাই নীংবা হায়বগা খেন্নবা য়াম্না লৈগনি। লমদম অমগী মীয়াম্না লাইদা পঙখুদা খুরুম্নবা উরগা লাই নীংনরবনি হায়বা য়াফম থোক্তে। লাই নীংনদনা লৈখায় তাবা ঙম্বা হৌনদে। লৈখায় তানদনা ৱাথোকশিং লোইশিনবা ঙম্বা লৈরোই। ৱাথোকশিংসি য়াম্লবসু ৱাতেম্নবা মরু অদুদি লৈখায় তাবা ঙম্বা অদুনি। লৈখায় তাববু মী মশীংনা লেপকনি হায়রিবশিং অসিদি মশা-মশাদু লৈখায় তাজদে হায়বনি। ৱাথোক অমবু লৈখায় তানা ৱারোইশিন পীবা ঙম্বা ৱারী লীবা অমসুং ৱাফমদু য়াহনবা নৎত্রগা তম্বীবা ঙম্বা মীবু লুচিংবা, লু হায়বদি কোক (ৱাখল) ময়াম্লু চিংদুনা পুবা ঙম্বা লুচিংবা হায়না খঙনবনি।

লুচিংবদা থাজবা ঙমদবা মীয়াম অমগী লুচিংবা লৈবা হৌনদে, মীয়ামবু থাজহনবা ঙমদবা ৱাখল্লোন অদুদি লুচিংবা ওইবগী ৱাখল্লোন নত্তে। অদুগুম্বা ৱাখল্লোন্দু, মীয়াম অমসুং লুচিংবশিংগা ফাওনরিবা, থোং শাগদৌরিবা লৌশিং অদু য়াওনদ্রবদি মীয়াম অদুগী নীংতম্বা হায়বা ৱাফমসু লৈফম থোক্তে। নীংতম্বা ফংদবা হায়বসি নীংতম্না ৱাখল খনবা ঙমহৌদবদগীনি। নীংতম্বা ফংগে হায়রবসু নীংতম্না ৱাখল খনবদগী হৌগদৌবনি। মনীং তম্না ৱাখল খনবা ঙম্নরবা মীয়াম অমগী মনীং তম্বদি ফংগনি, ৱাখল লৌশিংদা মীখা পোল্লিবশিংগী নীংতম্বা কৈদৌঙৈদসু ফংলোই। অদুগুম্বা মীয়াম অমগী ৱাথোকশিংসু লোইশিনবা ঙমদনা চাইদুনা লৈগনি। শক্তম অদুমক লমদম অসিদা উবা ফংগনি। লমদমসিদা ৱাথোক লৈত্রে হায়বদি য়াখিরোই। ৱাথোকশিংদু চাউবা নৎত্রগা পীকপা হায়বদুনা অমনি। ৱাথোক মচাশিং অসিগী হয়িংখোই মপীগুম্বা অমা লৈফম থোকই। খোই মপী মশক খঙদনা খোই ফাবা অরায়বা নত্তে হায়গনি।

ৱাথোক শাগৎলিবশিংনা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বসি থাজবা য়াবা ৱাফম ওইদ্রি হায়গনি। ৱারেপ পাম্বশিংনা ৱাথোক শাগৎপা য়াওশিনবা হায়বসি ৱাথোক্তু মরা তাহনবনি, অতোপ্পা ৱাথোক অমা শাগৎপনি।

লৈঙাক অমনা ৱাথোক পূম্নমক লাকশিনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতবসু য়ারি, মদুমক ৱাথোক অমনি।